## ইরান্না ন্যুক্লিয়র খুৎলায় পামদে

জিনিভা, জুলাই ০৯ : ইরান্না ন্যুক্লিয়র খুৎলায় শান্নবা নৎত্রগা পায়নবা হোৎনবা লৈতে হায়বসি মালেম পুম্বনা খঙই হায়না এলিট রেভোল্যুসনরি গার্দসকী মকোক মেজর জেনরেল হোসাইন সলামিনা নিংথৌকাবা নুমিত্তা হায়খ্রে।

হৌখিবা চহীদা ৱাশিংটন্না থাদোকখ্রবা কুমজা ২০১৫গী ন্যুক্লিয়র এগ্রীমেন্ট অমগী ৱাফমশিং ইন্দনবগী অচৌবা খোঙথাংশিংগী মনুংদা অমা ওইনা ইরান্না নিংথৌকাবা নুমিত্তা মথৌ লেপ্পুরবা সেন্ট্রিফ্যুজশিং নৌহৌননা মথৌ তৌহনবগা লোয়ননা য়ুরেনিয়ম এনরিচমেন্টগী প্রোসেস চাদা ২০গী প্যুরিটিগী চাং য়ৌনবা থবক হৌরগনি হায়না লাউথোকখিবনি।

## ‘অথিংবা থম্বা পামদে’

মোস্কো, জুলাই ০৯ :

জোর্জিয়াদা শেল-থুমগী অকনবা অথিংবশিং থম্নবা পার্লিয়ামেন্টনা পুথোক্লিবা ৱাফম মহাক্না পামদে হায়না রসিয়ন প্রসিদেন্ট ব্লাদিমির পুটিন্না লৈবাকপোকপা নুমিত্তা টেলিভিজনগী খুৎথাংদা মীয়ামদা ৱা ঙাঙলদুনা হায়খ্রে।

# টালিবান্না মীশি-মীনা, অমাঙ-অতা থোকহনবগী থবকশিং হন্থবগী ৱাফম য়াখ্রে



দোহা, জুলাই ০৯ (এজেন্সি):

লানগী চৈথেং নংলবা অফঘানিষ্টানগী চহী ১৮ শুরক্লবা লান লোইশিন্নবা হোৎনবগী থবক খোঙজেল য়াংশিনহনগদবা খোঙথাং অমদা টালিবান্না লৈবাক অসিদা লৈরিবা লাইনিং-লাইশোনগী ওইবা সেন্টরশিং, স্কুলশিং, হোস্পিটালশিং, এদ্যুকেস্নেল সেন্টরশিং, বাজারশিং, ঈশিংগী দামশিং অমদি থবক শুফমশিংদা এটেক তৌবা লেপ্পুনা মীশি-মীনা অমদি মাঙহন-তাকহনবগী থবকশিং হন্থবগী ৱাফম য়ারে হায়না মিদিয়া রিপোর্টশিংনা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে।

কটরগী কেপিটেল দোহাদা চথুরিবা ইন্ট্রা-অফগান দাইলোগ কনফরেন্স ওন পিছকী নিংথৌকাবগী নুমিদাং অথেংবদা কাবুলগী মেম্বর ৬ অমসুং টালিবানগী মেম্বরশিংনা শাবা কম্মিটি অমনা শেম-শাবা রিজোল্যুসন অমগী মওংদা নাকল অনীগী মরক্তা য়ানবা পুরকখিবনি হায়না টোলো ন্যুজকী রিপোর্টনা ফোঙদোকখি।

কনফরেন্স অদুদা কাবুলদা বেজ তৌবা পোলিটিসনশিং, সিভিল সোসাইটিগী মেম্বরশিং অমসুং গভর্নমেন্ট ওফিসলশিংনা মখোয়-মখোয়গী ওইবা কেপাসিটিদা শরুক য়ারিবনি। রিজোল্যুসন অদুনা মীচমশিংদা মীশি-মীনা থোকহনবা লেপ্পবা অমদি ইস্লামিক ফ্রেমৱার্ক অমগী মনুংদা নুপীশিংগী রাইটশিং ঙাক-শেন্নবা তকশিনখি।

চৈরকসিদা কটরগী মিনিষ্টর ওফ ফোরেন এফ্যেরসকী স্পেসল এনভোই মুটলাক বিল মাজিদ অল কটানিনা দোহাদা অফঘান মশেল ৱারী শান্নবদা মায় পাকপগী খোঙথাং তরাম্না ওকখিবগা লোয়ননা অফঘানিষ্টান্দা মরা তপ্পা অমসুং তং তাবা ফিভম লাকহনবগী মায়কৈদা মদুনা অহানবা খোঙথাংনি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

চপ চানা ইনগদবনি হায়বদি লৈতবা এগ্রীমেন্ট অদু লৈবাকপোকপা নুমিত্তা অমেরিকান নিগোসিএটরশিং অমসুং টালিবান লালহৌবশিংগী মরক্তা ৭ শুবা রাওন্দগী ৱারী শান্নদ্রিঙৈগী মাঙওইননা পুরকখিবনি। নাকল অনীনা অফঘানিষ্টান্দগী য়ু এস ট্রুপশিং হন্দোকপা অমদি লৈবাক অসিবু টেরর বেজ অমা ওইনা শীজিন্নদবগী ৱাফম য়াওবা এগ্রীমেন্ট অমা পুরকপা ঙম্লগনি হায়না থাজনরি।

# টাইৱান্দা দোলর বিলিয়ন ২.২গী খুৎলায় য়োনবা য়াবগী থৌরাং অমা অয়াবা পীখ্রে



ৱাশিংটন, জুলাই ০৯ (এজেন্সি):

বৈজিংবু শাওহনবা খোঙথাং অমদা য়ু এস ষ্টেট দিপার্টমেন্টনা টাইৱান্দা দোলর বিলিয়ন ২.২গী ওইগদবা এম ১ এ ২ টি অব্রামস টেঙ্কংশিং, ষ্টিঙ্গর মিসাইলশিং অমসুং মরী লৈনবা ইক্বিপমেন্ট য়োনবা য়াবগী থৌরাং অমা এপ্রুভ তৌরে হায়না পেন্টাগোন্না নিংথৌকাবা নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে।

চাইনাগী ফোরেন মিনিষ্ট্রিনা টাইৱান্দা খুৎলায় য়োনবগী থৌরাং অদুবু কন্না য়ানিংদবা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা থৌরাং অদুদা কেন্সেল তৌনবা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসতা তকশিনখ্রে। ৱাশিংটন অমসুং বৈজিংনা লল্লোন-ইতিক্কী অকনবা লান অমা ৱারোইশিন পুরক্লবা কন্না হোৎনরিঙৈদা টাইৱানদা য়ু এসনা খুৎলায় য়োনবগী থৌরাং অমা লৌখৎলক্লিবসি অরুবা তানফম অমদনি হায়না লৌনরি।

পেন্টাগোনগী দিফেন্স সিক্যুরিটি কোওপরেসন এজেন্সিগী ষ্টেটমেন্ট অমনা হায়, টাইৱান্না লৈনবা য়ু এসতা হায়জরকখিবা খুৎলায়শিং অদু জেনরেল দাইনামিক্স কোর্পকী এম ১ এ ২ টি অব্রামস টেঙ্ক ১০৮ অমসুং ষ্টিঙ্গর মিসাইল ২৫০ য়াওরি। খুৎলায়শিং অসি য়োনবনা লমদম অদুগী হৌজিক লৈরিবা বেসিক মিলিটরি বেলেন্সতা অকায়বা পীনিংঙাই ওইদে।

পনবা য়াবদি, খুৎলায় য়োনবগী থৌরাং অদুগী ইনফোর্মেল নোটিফিকেসন অমা য়ু এস কোংগ্রেসতা থাখ্রে হায়বা রিপোর্ট অমা হৌখিবা থাদা রোইটর্সনা ফোঙখিবনি। মশানা লৈঙাকচবা ইথৎ অদুদা য়োন্নবা থৌরাং তৌরিবা খুৎলায়শিং অদুদা মাউন্টেদ মেছিনগনশিং, এম্যুনিসন, হার্কুলিস আরমর্দ ভেহিকলশিংনচিংবসু য়াওরি।

# হান্নগী চাইনিজ ওফিসল অমা এক্সট্রাদিসন তৌবগী ৱাফম স্বিদেন্না য়াখিদ্রে





ষ্টোকহোল্ম, জুলাই ০৯ (এজেন্সি):

গভর্নমেন্ট ফন্দ হায়হৎলম্বগী মরালদা য়ুম্ফম ওইরগা বৈজিংনা ফারগা ৱায়েল চথুবা পাম্বা হান্নগী চাইনিজ ওফিসল অমা এক্সট্রাদিসন তৌবগী ৱাফম লৈবাকপোকপা নুমিত্তা স্বিদেনগী সুপ্রিম কোর্টনা পীখিবা রুলিং অমনা থিংখ্রে। হান্নগী ওফিসল অসি করিগুম্বা চাইনাদা থাবা তারবদি মীওৎ-মীনৈ কয়া মায়োক্লবা য়াই হায়রদুনা কোর্টনা মহাক্কী এক্সট্রাদিসনগী ৱাফম থিংজিনখিবনি।

হান্নগী চাইনিজ ওফিসল কিয়াও জিয়াংজুন্না চাইনাদা ক্রাইম খরা তৌখি হায়বগী চিংনবা য়াবা মরমশিং লৈরবসু করিগুম্বা মহাক চাইনাদা ৱায়েল মায়োক্লনবা থাবা মতমদা লৈবাক অদুগী ওথোরিটিশিংনা ওৎ-নৈবগী থৌওং কয়া মহাক্কী পোলিটিকেল এক্তিভিটিনা মরম ওইদুনা চথুরকপা য়াই হায়বগী অকিবা লৈ। অসিগুম্বা থৌওংশিং চথুহনবা হায়বসি য়ুরোপিয়ন কনভেন্সনগী মায়োক্তা ওই হায়না কোর্টকী রুলিং অদুনা হায়খি। অসিগুম্বা ফিভমশিং অসিগী মখাদা হান্নগী ওফিসল অমবু মরৈবাক্তা ৱায়েল মায়োক্ল হন্নবা থাবা য়ারোই হায়না জটিষ্ট কাউন্সিলগী পিটর অস্পকী ষ্টেটমেন্ট অমনা ফোঙদোকখি। স্বেদিস ক্রাউন মিলিয়ন ১০০ রোমগা মান্নগদবা গভর্নমেন্ট ফন্দশিং নারোন্দা লৌথোক্লম্বগা মরী লৈননা থাজবা মাঙহনবা অমদি নমথাক তৌরম্বগী চিংনবদা য়ুম্ফম ওইরগা কিয়াওবু থারক্লবা চাইনানা স্বিদেন্দা হায়জখিবনি।

# কম্মর্সিএল সিপ্তা এটেক তৌখি হায়বা কোলিসনগী ৱাফম য়াখিদ্রে

রিয়াদ, জুলাই ০৯ (এজেন্সি):

ইরানগা মীচং চুংশিন্নবা হৌথিশিংনা নিংথৌকাবা নুমিত্তা রেদ সীগী খা থংবা শরুক্তা মশক খঙদবা কম্মর্সিএল জ হাজ অমদা এটেক তৌনবা হোৎনখিবা অমা সাউদিনা লুচিংবা য়েমেন্দা লান শোক্লরিবা কোলিসনগী নেভেল ফোর্সশিংনা মায় পাকহনখিদ্রে হায়না কোলিসিনগী স্পোক্সমেন অমনা ফোঙদোকখ্রে।

অমরোমদা, হৌথি রেবেলশিংনা কম্মর্সিএল ভেসেলদা মখোয়না এটেক তৌনবা হোৎনখি হায়বা ৱাফম অসিবু কন্না য়ানিংদবা ফোঙদোকখ্রে। কোলিসনগী স্পোক্সমেন টুর্কি-অল মলকিনা হায়, মিলিটেন্টশিংনা এটেক অদুদা শীজিন্নবা হোৎনখিবা এক্সপ্লোটিভ মরাং কায়না য়াওরবা মী তোংদবা হি অমা নোংচুপ্লোম্না শৌগৎপা মিলিটরি এলাইয়েন্স অসিনা মাঙহন তাকহনখ্রে। স্পোক্সমেন অসিগী ৱারোল ফোঙখিবা সাউদি ষ্টেট ন্যুজ এজেন্সি এস পি এনা মহাক্কী অহেনবা অকুপ্পা মরোলদি পীখিদে।

মফম অদুদা চথুরিবা কম্মর্সিএল সীপ্লিংদা টার্গেট তৌখি হায়বা ৱাফম্বু য়ানিংদবা ফোঙদোকপগা লোয়ননা হৌথি মিলিটরি স্পোক্সমেন অমনা কোলিসনগী ক্লেম অদু য়ুম্ফম য়াওদবনি হায়না ফোঙদোকখি।

য়েমেনগী চহী ৪ শুরক্লবা লান অদু মরু ওইনা সাউদি অরাবিয়া অমসুং ইরানগী মরক্তা শোক্লবা পোক্সি লান অমনি হায়না হায়নরিবনি। হৌখিবা মে অমসুং জুনদা ষ্ট্রেট ওফ হোর্মুঝকী মনাক্তা ওইল টেঙ্করশিংদা চথুখিবা এটেকশিং টেহরান্না হৌথিশিংদা ইনশিন্দুনা পাঙথোকখিবনি হায়বা মরাল শীবা লৈখ্রবনি।

# ক্লারিক গুলেনগা মরী লৈনবনি চিংনবা মিলিটরি পর্সনেল ১৭৬ ফানবা ওর্দর তৌখ্রে



ইষ্টানবুল, জুলাই ০৯ (এজেন্সি):

চহী অহুমগী মমাংদা পাঙথোকখিবা মায় পাকখিদ্রবা কূ এটেম্প অমা খুজিল-থৌরাং তৌখি হায়না অঙ্কারানা মরাল শীরিবা ক্লারিক গুলেনগী নেটৱর্ককা মরী থম্নে হায়বগী চিংনবদা য়ুম্ফম ওইরগা থবক তৌরিবা মিলিটরি পর্সনেল ১৭৬ ফাননবা টর্কিনা ওর্দর তৌখ্রে হায়না ইষ্টানবুলগী চীফ প্রোসিক্যুটরসকী ওফিসনা লৈবাকাপোকপা নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে।

টর্কিস ওথোরিটিনা ফাননবা ওর্দর তৌরিবা মিলিটরি পর্সনেলশিং অদুগী মনুংদা কর্নেল ১, লেফটন্টে কর্নেল ২, মেজর ৫, কেপ্টেন ৭ অমসুং লেফটন্টেল ১০০ য়াওরি। মখোয়শিং অসি টর্কিস আর্মি, এয়রফোর্স অমসুং নেভিগী মীওইশিংনি হায়না প্রোসিক্যুটরশিংগী ওফিসকী ষ্টেটমেন্ট অমনা ফোঙদোকখি। কুমজা ২০১৬গী জুলাই ১৫ দা পাঙথোকখিবা মায় পাকখিদ্রবা কূ অদু য়ু এসতা বেজ তৌবা মুস্লিম ক্লারিক ফেটুল্লাহ গুলেন্না মাষ্টরমাইন্দ তৌখিবনি হায়না অঙ্কারানা মরাল শীদুনা লাক্লবসু ক্লারিক অসিনদি কূ এটেম্প অদুদা মহাক চেন্নখিবা লৈতে হায়রিবনি। কূ এটেম্প অদু পাঙথোকখিবদগী চহী ৩ চুপ্পা চথুরকখিবা মীফা-মীপুনগী অকনবা কেম্প্যেন অমদা হৌজিক ফাওবদা মীওই ৭৭,০০০ হেন্না জেলদা থাজিনখ্রে অমদি সিভিল সর্ভেন্ট, মিলিটরি পর্সনেল অমদি অতৈ ১৫০,০০০ হেন্না মফম লৌথোকখ্রে নৎত্রগা সস্পেন্দ তৌখ্রে।


**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, NINGTHOUKHONG**

**Ref :- Mutation Case No. 389/SDC/NTK/2019**

1) Laishram Ibochouba Singh S/o (L) Gulamjat
2) Laishram Rajen Singh S/o -do-
3) Laishram Sanahanbi Devi W/o (L) Gulamjat Singh of Thinungei Mayai Leikai W/No. 6 ...*Petitioners*

-Vs-

(Late) Laishram Gulamjat Singh S/o (L) Tombi Singh of Thinungei ...Opponent

ꯅꯣꯇꯤꯁ / **NOTICE**

Ningthoukhong, the 9th July, 2019

নোটিশ অসিনা মরম ওইদুনা Under Section 46 (3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না খঙহল্লি, মদুদি 45 - Thinungei Village গী Patta No. 621 (O), 421 (N), C.S. Dag No. 1109, an Area 1.93 acre of Phourel Class অসি পাট্টাদার Sl. No. মৃত ওইখিবনা মরম ওইদুনা মাগী মচা, মশু, মমৌশিং (পিটিস্নর) অসিদা নামা পানবীরো হায়দুনা উক্ত কোর্টতা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা ইখোল/লৌফম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎনীংবা লৈরবদি উক্ত কোর্টতা লাক্লিবা তাং ১৬/৭/২০১৯ ইংগী অয়ূক পুং ১১.৩০ ফাওবগী মনুংদা দরখাষ্ট থারবা য়াগনি। উক্ত তাংগী মতুংদা লাকপা আপতি অমত্তা লৌরোই অমসুং আইনগী মতুং ইন্না কেস মখা চথুগনি।

HL-P/3359/10 *Sd/-* **Sub-Deputy Collector**, Ningthoukhong



**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, MOIRANG**

**Ref :- Mut. Case No. 697/SDC/M dt 8/7/2019**

Oinam (O) Sanahal Devi W/o O. Prasuram Singh of Thanga Chingkha Leikai.

-Vrs-

1) (Late) Oinam Lukhoi Singh S/o (L) Tomba Singh of Thanga Chingkha

2) (Late) Heisnam Omor Singh S/o (L) Chandra Singh of Thanga Chingkha.

ꯅꯣꯇꯤꯁ / **NOTICE**

Moirang, the 9th July, 2019

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না খঙহল্লি, মদুদি খুল নং ৬৫- থাঙ্গদা লৈবা পাট্টা নং ৮৫ অনৌবা, সী এস দাগকী নং ১০৬২, এরিয়া ০.৩৬ একর চাউবা ইখোল অসিগী পাট্টাদার অনী অসি মৃ: ওইখ্রে। মরম অদুনা মথক্তা পল্লিবা দরখাষ্টকারী অসিদা মীং ওনবীরো হায়না কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমীৎতগী নুমীৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা আপতি তৌবীরবা য়াগনি। পীরিবা নুমিৎশিং অসিদা আপতি তৌরদ্রবদি মতুংদা লাকপা আপতি লৌজরোই। কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না কেস মখা চথুগনি।

HL-P/3933/10 *Sd/-* **Sub-Deputy Collector**, Moirang



**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, NINGTHOUKHONG**

**Ref :- Mutation Case No. 383/SDC/NTK/2019**

1) Takhellambam Krishnakumar Singh S/o (L) T. Indramani Singh of Ningthoukhong, W/No. 12
2) Takhellambam (O) Tangbisana Devi W/o T. Krishnakumar Singh of Ningthoukhong, W/No. 12
3) Takhellambam Shyamkanahai Singh S/o (L) T. Indramani Singh of Ningthoukhong, W/No. 12
4) Takhellambam (O) Premila Devi W/o T. Shyamkanahai Singh of Ningthoukhong, W/No. 12 ...*Petitioners*

-Vs-

(Late) Takhellambam Indramani Singh S/o (L) T. Lukhoi Singh of Ningthoukhong, W/No. 12 ...Opponent

ꯅꯣꯇꯤꯁ / **NOTICE**

Ningthoukhong, the 6th July, 2019

নোটিশ অসিনা মরম ওইদুনা Under Section 46 (3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না খঙহল্লি, মদুদি 43 - Ningthoukhong Village গী Patta No. 239 (O), 231 (N), C.S. Dag No. 2283, an Area 0.1670 acre of Ingkhol Class অসি পাট্টাদার Sl. No. মৃত ওইখিবনা মরম ওইদুনা মাগী মচা, মশু, মমৌ (পিটিস্নর) অসিদা নামা পানবীরো হায়দুনা উক্ত কোর্টতা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা ইখোল/লৌফম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎনীংবা লৈরবদি উক্ত কোর্টতা লাক্লিবা তাং ১৬/৭/২০১৯ ইংগী অয়ূক পুং ১১.৩০ ফাওবগী মনুংদা দরখাষ্ট থারবা য়াগনি। উক্ত তাংগী মতুংদা লাকপা আপতি অমত্তা লৌরোই অমসুং আইনগী মতুং ইন্না কেস মখা চথুগনি।

HL-P/3359/10 *Sd/-* **Sub-Deputy Collector**, Ningthoukhong


# কেরি লাম্না এক্সট্রাদিসন বিল শিরে হায়খ্রে

হোং কোং, জুলাই ০৯ (এজেন্সি):

চাইনানা লৈঙাক্লিবা হোং কোং সিটিদা চহী কয়ামুক্কী মনুংদা খ্বাইদগী চাওবা ক্রাইসিস অমা থোকহনখিবা এক্সট্রাদিসন বিল শিরে অমসুং লেজিসলেসন অদুগী মতাংদা গভর্নমেন্টনা হোৎনরকপা খুদিংমক মায় পাকখিদ্রে হায়না হোং কোংগী লুচিংবী কেরি লাম্না লৈবাকপোকপা নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে।

অমরোমদা, ক্রেটিকশিংনদি লামগী ৱাফম অসি তৌফম থোকপশিং তৌবগী মহুত্তা ৱা ঙাঙদুনা লৈবগী থৌওংনি হায়খ্রে। হোং কোংদা লৈবা ক্রাইমদা চেন্নে হায়না চিংনবা মীওইশিংবু কম্ম্যুনিষ্ট পার্টিনা কন্ট্রোল তৌবা কোর্টশিংদা ৱায়েল মায়োকহন্নবা মেনলেন্দ চাইনাদা থাবা য়াহনগদৌরিবা বিল অদুনা মীয়ামগী অচৌবা ইরাং লাকহন্দুনা হান্নগী বৃটিশ কোলোনি অসিদা পোলিটিকেলগী চরাংনবা ফিভম অমা লাকখিবনি।

মীওই লিশিং চা কয়ানা লম্বীদা থোক্তুনা চথুখিবা প্রোটেষ্টশিংদা খাঙবা ঙমদ্রবা হোং কোংগী চীফ এগজিক্যুটিভ লাম্না হৌখিবা জুন থাখায়দা বিল অদুগা মরী লৈনবা থবক খুদিংমক লেপ্লগনি হায়না লাউথোকখিবা লৈরবসু মীয়াম্না মখা তানা দেমোনষ্ট্রেসনশিং চথুদুনা গভর্নমেন্ট ওফিস কয়া থিংজিনবগা লোয়ননা ফাইনান্সিএল সেন্টর অদুগী মফম কয়া মথৌ তৌহনখিদবনি।


REGIONAL INSTITUTE OF MEDICAL SCIENCES
(An Autonomous Institute under the Ministry of Health & Family Welfare, Government of India)
IMPHAL : MANIPUR

NOTICE

Imphal, the 9th July, 2019

No. B/3333/2019-RIMS: A walk-in-interview will be held on 17th July at 11.00 a.m. in the Conference Room of Jubilee Hall, RIMS, Imphal for engagement of suitable persons for the following jobs. The nature of job is purely on contract basis for a period of 1 (one) year extendable on satisfactory performance. Interested candidates having the qualification, experience and within the upper age limit as shown against the jobs may attend the Walk-in-interview on submission of an application enclosing their bio-data and supporting documents. The candidates have to produce their original certificates, testimonials before the Selection Board.

Applications will be received upto 4:00 p.m. of 15th July, 2019.

| Sl. No. | Post | Consolidated pay | No. of post | Qualification and experience | Upper age limit |
|---|---|---|---|---|---|
| 1. | Professor | Level 14 * | 1 no. | **Qualification:** MD (Sports Medicine)/MS (Orthopaedic)/ MD (Physical Medicine & Rehabilitation)/ MD (Physiology) with 2 years experience in Sports Medicine<br>**Experience:**<br>1. As Reader/Associate Professor in Sports Medicine/Orthopaedics/Physical Medicine and Rehabilitation for 4 years in a recognized Medical College;<br>2. Minimum of 4 research publications in indexed national journals of the speciality or related Speciality | 50 years (relaxable as per Central Govt. Rules) |
| 2 | Assistant Professor | Level 11 | 2 nos. | **Qualification:** MD (Sports Medicine)/MS (Orthopaedic)/ MD (Physical Medicine & Rehabilitation)/ MD (Physiology)<br>**Experience:**<br>1. 3 years post teaching experience in the subject in a recognized medical college as Resident/Registrar/Demonstrator/Tutor;<br>2. Minimum of 2 research publications in indeed/national journal of the specialty or related Speciality | 45 years (relaxable as per Central Govt. Rules) |
| 3 | Senior Resident | Level 10 | 2 nos. | **Qualification:** MD (Sports Medicine)/MD (PMR)/DNB (PMR)/MS (Orthopaedics) | 45 years (relaxable as per Central Govt. Rules) |

* *Retired doctors having the requisite qualification prescribe for the post of Professor and below the age of 67 years may also apply. However, the pay of such Professor will be restricted to Rs. 1,00,000/- per month only.*

*Sd/-* **L. Ibemhal Devi**
Administrative Officer,
Regional Institute of Medical Sciences, Imphal

HL-P/5543/10


# অলবেনিয়াদা ওপোজিসন্না প্রাইম মিনিষ্টর মফম লৌথোক্লবগী প্রোটেষ্ট মখা চথুবা হৌখ্রে




টিরানা, জুলাই ০৯ (এজেন্সি):

মীখলদা নমথাক তৌখিবগী মরাল শীরদুনা অলবেনিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর ঈদি রামাদা মফম থাদোক্লবা অকনবা প্রেসর পীদুনা হৌখিবা ফেব্রুৱারিদগী পরিং নাইনা চথুরকখিবা প্রোটেষ্টশিংদা লৈবাক অসিগী ওপোজিসন সপোর্টরশিংনা মখোয়গী ১০ শুবা নেসনল প্রোটেষ্ট ওইনা নিংথৌকাবা নুমিত্তা অচৌবা রেলি অমা পাঙথোকখ্রে।

মীওই লিশিং কয়ানা কালেনগী অশাবা খাঙদুনা রেলি অদুদা প্রাইম মিনিষ্টর রামা মফম থাদোক্কদবনি অমসুং অলবেনিয়াসু য়ুরোপকী অতৈ লৈবাকশিংগা মান্নহনগদবনি হায়বা খোল্লাওশিং লাউনখি। রেলি অদু চহী ৩০ মুক্কী মমাংদা মীয়াম্না লৈবাক অদুদগী কম্ম্যুনিষ্ট লৈঙাক চিংথুনবা হৌখিবা ইরাংগা মান্নে হায়না ফোঙদোক্লরি।

মতমদুদা অলবেরিয়ানশিংনা মখোয়গী লৈবাক্তগী কম্ম্যুনিজম মুথৎনবা অকনবা ইহৌ হৌখ্রবা মতুংদা হৌজিক্লা লৈবাক অসিবু য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়ন্দা শোয়দনা য়াওহন্নবগী পান্দমদা অকনবা খোঙজং চঙশিল্লক্লিবনি। অলবেনিয়ানশিংনা হৌজিক অশেংবা অহোংবা পাম্মী। ঐখোয়না খুদোংচাবা তঞ্জা অমদি অরৈবা পাম্বৈ খুদিংমক শীজিন্নদুনা রামাবু লৈঙাক্কী পৱারদগী চিংথুনবা হনবা লৈতনা হোৎনগনি। মহাক লৈরিমখৈ অলবেনিয়ানা য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়ন্দা য়াওবা অমদি রুল ওফ লো হায়বসি ওইথোক্লোই হায়না ওপোজিসন দেম্মোক্রেটিক লুচিংবা লুলঝিম বাসানা মীয়ামদা ৱা ঙাঙবদা হায়খি।

# নারোন্দা মাইগ্রেন্টশিং হোল্লিবা ট্রকশিংদা মেক্সিকান ওথোরিটিশিংনা চথুবা রেইদশিং কনশিনখ্রে



মেক্সিকো সিটি, জুলাই ০৯ (এজেন্সি):

মেক্সিকোনা য়ু এসকী প্রেসরদা ইলিগেল ইম্মিগ্রেন্টশিং ফাবা পুনবগী থবক কনখৎলকখিবগা লোয়ননা হৌখিবা নুমিৎ নিনি অসিদা অচৌবা এক্স-রে স্কানর শীজিন্নদুনা থিবদা থেংনরকখিবা অরোনবা কম্পার্টমেন্টশিংদা চয়োম শানা লোৎলম্বা মীওই কয়া য়াওনা ট্রকশিংদা লোত্তুনা পুরম্বা মাইগ্রেন্ট ২০০ হেন্না মেক্সিকান ওফিসলশিংনা ফাগৎখ্রে।

নোংমাইজিং নুমিৎতা লৌখিবা এক্স-রেগী ফুটেজদা মাইগ্রেন্টশিংনি হায়না থাজবা মীশিংগী মমিনা থল্লবা তম্নরাইগা মান্নবা ট্রক অমগী মশেন মরাংবা শক্তম উবা ফংখিবগা লোয়ননা কম্পার্টমেন্ট অনীদা মাইগ্রেন্ট খরনা ফম্বা অমদি অতৈনা হিপ্তুনা লৈবগী শক্তম উবা ফংখি।

নিংথৌকাবা নুমিত্তসু সাউদর্ন ষ্টেট চিয়াপাসতা সোফ ড্রিঙ্ক হোনবা ট্রক অমদা রুটিন সর্চ অমা চথুরুবদা অহেনবা মাইগ্রেন্ট ২২৮ লোত্তুনা পুরম্বা থেংনখি হায়না মেক্সিকো সিক্যুরিটি মিনিষ্ট্রিগী ষ্টেটমেন্ট অমনা ফোঙদোকখি। হান্নগী প্রিজন্স চীফ ফ্রান্সিস্কো গর্দুনোবু মেক্সিকোগী ইম্মিগ্রেসন ওথোরিটি ওইরিবা নেসনল মাইগ্রেসন ইন্সটিট্যুট (আই এন এম)গী অনৌবা মকোক ওইনা থৌবা পুবা হৌহনখিবা মতুং চয়োল খরখক কান্নরগা মাইগ্রেন্টশিং অদু ফাখিবনি।

গর্দুনোগী লমজিং মখাদা এজেন্সি অসিনা কম্মর্সিএল ভেহিকলশিংদা লোৎশিন্দুনা পুরম্বা মশিং য়াম্লবা মাইগ্রেন্টশিং ফাবা ঙমখি। মহাক্না ওফিস পায়বা হৌখিবা চয়োল অদুমক্তদা ট্রক ৪ দা লোন্না পুরম্বা মাইগ্রেন্ট ৮০০ আই এন এমনা ফাখিবনি।